থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়না করিগী লাই খুরুম্লিবনো ?

খুরুম্বা ! ঐনা মীঙোন্দা খুরুম্বা। নৎত্রগা ঐঙোন্দা মীনা খরুম্লকপা। ঐখোয়না তত্তনা তৌনরিবা থৌওং অমনি। খুরুম্বা মখল যাম্মি। খুৎ লোন্নরগা খুরুম্বা। ঙক নোম্থরগা খুরুম্বা। লেপ্লা লেপ্লা খুরুম্বা, খুকউ খুদক কূম্থরগা খুরুম্বা, কূম্থরগা কোক লৈপাক থেংনা নোম্থরগা খুরুম্বা, লৈপাক্তা শাংদ্রোং শাংনা তিংথোক্লগা উপ্তুনা খুরুম্বা ...। ঐগী অনীংবা, অপাম্বা, চৎনবীগী মতুং ইন্না খুরুম্বগী মওং অমত্তা মান্নদে। পুম্নমকসি, মী অমনা অমদা, মী অমনা ময়ামদা খুরুম্বা - হায়বসি ঈকায় খুম্নবা উৎপগী মওংদুনি। ময়ামসিগী মথক্তা, লাইদা খুরুম্বগী মওংদুনা অমনি। লাইদা মীনা খুরুম্বা, ঈসম সম্না 'লাই খুরুম্বা' হায়বগী মওং অদুসু, লাইনিং-লাইশোন (ধর্ম্ম/রিলিজন) মান্নদবা/ খেন্নবগী মতুং ইন্না মান্নদে। মীতৈ ঐখোয়না খরা হেন্না কূপশিনবরা হায়বসি ঐগী থাজবনি।

ফরে। ৱাফম অসি ঙাইহাক তুংওইনখিসি। ঐনা ঙসি ইনিংলক্লিবা, মীয়ামদা সেয়র তৌজনিংলুবা আইদিয়াসিনা অমনি। আইদিয়াসু নত্তে, মুন্না খঞ্জীল্লুরবদি। ঈচম চম্বা, মথোঙ হুক্তবা ৱাহং অমনি - ঐখোয়না লাই খুরুম্লিবসি করিগীনো ? ৱাহং অসি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ঈমাদসু হংখি। ঈমানা খুম্লমখি, মতমদুদা ... 'মাদি লোইনা ঙম্বনি, ঈচাবু লাইরিক হৈবা, মঙাল নাইবা মী অমা ওইহনবীয়ু খুরুম্লিবনি' ...। চুম্বোই নীংখি - লাই হায়বসি যাম্না শক্তি লৈবা, তৌবা ঙম্বা, পূকচেল চাউবা, পীনহৈবা, করিগুম্বদসু যাম্না তমথীবা, মীনুংশিং খঙদবা কনাগুম্বা অমনি। হরি দর্শন অমদি তেন কম্মান্দমেন্ট য়েংলুরগা মখল অনীগী ঈশ্বর মশক শাগৎলকখি কোকসিদা। হম হম চাউখৎলক, পাখঙ ফারক্লবা মতমদা 'অল্লাহ' কৌবা অতোপ্পা লাই অমসু লৈ খঙলকখি। মানা মানা থাজনবী মতুং ইন্না, মাগী মাগী লাইদুনা খ্বাইদগী চাউবা, খ্বাইদগী ঙম্বা লাইদুনি খন্নরকখি। অদুদগী শারকখি - লাইগী যুম মখল মখল - মন্দির, মসজীত, চর্চ ...। মফমদুদা শেমগৎলকই লাই খুরুমফম তোঙান্না। অতৈদা খুরুম্বা য়াদবা। মফমদুদতা খুরুমগদবা। মফমদুদা চৎলগা হায়রগতা লাই মানা তাগদবা। অঙকপা লাই ! ভগবান ! গোদ ! অল্লাহ ! মতিক মগুন, তৌবা ঙম্বা, অকনবা মতিক ময়ায় অদুতবু শৈথাদুনা শক্লগা পেনবীবা। থাজদুনা নিরগদি মপান নাইদবা লন-থুম পীবীবা ! থাজদবা মাবুনা চৈরাক পীবা, অৱা-অনা নংহনবা ! মঙোন্দা চঙজরগনা লাইরৈবাক/জন্নত/স্বর্গ/হেভন'দা পুবীগনি থাজ হনবা। চঙজদবা থোক্লগনা নোরোক/হেল নৎত্রগা মঙলৈবাক্তা। অদুগুম্বা লাইদুনি পুক্লিংসিনা য়ানিংদ্রিবা, থাজৌ হায়বা য়াদ্রিবা।

অদুনা, ঐদি ঈশ্বরদা কৈদৌঙৈদা করিগুম্বা অমত্তা নীখিদে, তুংদসু নিরোই। মরমদি, নিরবসু পীরক্লোই, কনাদসু করিমত্তা পীখিদ্রি ঙসিফও। ঐহাক খঙই নীংথিজনা। ঈমানদি ঐহাকপু মথম্মোয় শেংনা 'লাইরিক হৈবা, মীথোয়বা, মঙাল নাইবা মীশক অমা ওইহনবীয়ু' নিজখি। অদুগা ওইহনবীরম্মী ঐবুদি 'খ্বাইদগী বুদ্ধি শোইরোম্বা, হংলিমখৈ খঙদবা, মীরক তিনবা ঙমদবা, অমম্বদা লৈগদবা' মীশক অমা। অদুবু, ঐ ৱারৌদে। লৈ-লৈতে খঙদবা, মঙোন্দা ঐহাক ৱারৌদে। ঐনা ঙসি ওইরিবসিদি ওইহনজখিবনি ইশানা। পাদৌ লাইরিক পাদবা, পারোইদবদু পারকখিবনা ঐনা মীথোয়-মীহেন ওইরকখিদ্রগা করিগী মঙোন্দা তাইনরুনি !

অহৌবদা পঞ্জখিবা, তমগে খনবা ইপাউ অদুদি তমদনা ৱাকোয় অমুক সু'লৈরে - হায়রক্লগনি শোয়দনা। লাই খুরুম্বগী মতাংদনি ইগে খন্না কলম পায়খৎলুরিবা। লাই থাজদে, লাই লৈতে হায়রগা করিগী লাই খুরুম্বা ! নৱা লৌদে, তানিংদে - হায়রক্কনি শোয়দনা। চুম্মী, ঐ লাই থাজদে। অদুবু ঐ লাই'দি খুরুম্মী। লাইগী মরমদা ইবা লাইরিক অমত্তা, থেংনরবা, লৈদনা তোক্তে। থীন্থদনা পানিংই। ঐনা মীমান্নদ্রিবসি 'সিদনি ... 'মাগী মরমদা পার পারগা, হেন্না খনজীল্লুরগা মাবু থাজদবা হেল্লকই ... মাগী ৱা তারগা, তানীংদবা হেল্লকই' ...। ঐনা লাইগী লাইরিক পারিবা, মাবু নীংগে, মঙোন্দগী করিগুম্বা খরা নিগে খন্না পাবা নত্তে। অতোপ্পা মরম অমগীনি। মরমদু শুগায়না ইজররোই, ঐবু ফুগে হায়রক্কনি। অদুবু ঐ লাই খুরুম্মী। কৃষ্ণ, অল্লাহ, জিসস, শিদব মপু - মখোয়দা করিগুম্বা খরা হায়নবা খুরুম্বগী মওংদু নত্তে। শেরান্ননা খনবীনু।

ৱাফম অমত্তা নীংশিংজগে। ঐখোয় অয়ুক খুদিং চীন-য়া শেংই কো ? ঐখোয়গী ঈপু-ঈবেন-ঈবেম্থৌগী মতমদুদসু শেংলম্মী - পয়া মতেক অমা চীকখায়রগা, উৎ-মৈতান মকুপ খরদা লূপ্লগা য়া'দুদা তক্লগা। ঐখোয়মকসু মতম খরা থেংনহৌই। অদুনা মরম ওইরগা, চহী নিফু-য়াঙখৈ শুরকপদদি য়া পুম্বা পুমহো ! য়া য়াওদনা করি চীঞ্জাক চারুনি। চহী য়াংখৈ-হুমফুদা পুন্সি পুমকেম। ঙসিদি, অনৌবা দেন্তেল-ক্রিম-তুথ-ব্রস ! চহী হুমফুতরা-মরিফুফাওবা মপোপ কায়দবা য়া, উরে ঐ মশিং খঙদা। য়া'দুগা শাগোন্নবা পুন্সি, অমুক শন্দোক্লা ইখিসিরা ?

চীন-য়া শেংদোক্লগা, নীংথিনা ঈরু-মায়থজরগা নীংজবা লাই অমা নুংতিগী খুরুম্লিবা তম্বা নুপা নৎত্রগা নুপীদো পুন্সি-নুংশাংনা, পুক্লিং নুংঙাইনা লৈরিবা, ইশ্বর মাগী থৌজালনা নত্তে, মাবু খুরুম্বগী নমাদা ঈশাবু শেংনা থম্লুবদুগী মহয়নি। ওইজবা থিবা মীওইবগী পুক্লিংনি খঙবনা অশিংবা মী খরনা 'নিরগা পীবা, ঙাকপী হৈবা, পুকচেল চাউবা ইশ্বর'নি হায়জিন্দুনা নিবগী হৈনবী অমা শেমগৎলম্বনি মীওইবা খুন্নাইদা। কনাগুম্বা খরনসু, লাইনিং পরৈগা মরী লৈনদনা 'ৱার্ক ইজ ৱোরসিপ' (থবক হায়বসি লাইশোন্নি) - হায়রম্মী। পান্দমদি অমত্তনি - পুন্সিসিবু নুংঙাইনা থম্বা, পুন্সি মশক খঙবা। পুন্সি মশক খঙলবা, ইশ্বর মশক খঙলবনি। ইশ্বরগী মনাক তম্না চৎপা অমদি পুন্সি লম্বী চৎপা - অমত্তনি। মাঙলোমদা চঙশিনবদুখক্তনি অমুক হল্লকপা য়াদবা। তুং হন্না য়েংলুবদুতনি ফংদৌবা, তুংদা লৈহৌরবশিং অমুক লৌরুবা য়াররোই।

## লৌশিং পুক্তে

# আই ফ্লোটর- মীৎতা মমি-শামি ওইনা কোঙ্গোল, ষ্ট্রিং নৎত্রগা দাগফমগুম্বা মচা মচা পাইবা উবা

আই ফ্লোটর হায়বসি মীওই অমগী মীৎতা মমি-শামি ওইনা কোঙ্গোল নৎত্রগা দোট নৎত্রগা দাগকুম্বা মচা মচা পাইবা ওইনা উবা পোৎশক অমনি। মখোয় অসি তশেংনা য়েংগে হায়না তান্নরুরবসু কোয়চেন চেনবা নৎত্রগা মাঙখিবদগী মীৎচান্ননা য়েংবা ফংদে। মখোয় অসি মীৎগী ভিট্রিয়সনা শেম্বনি, অয়াম্বনা মসি খুদোংথীনিংঙাই ওইদে। ভিট্রিয়স হায়বসি মীৎতা য়াওবা জেল মওং মানবা সবষ্টেন্সনি, মীৎকী অয়াম্বা শরুক মসিনা ওইরিবনি।

আই ফ্লোটর অসিনা মীৎকী উবা ঙম্বগী পাঙ্গলদা শোকহন্দবনা মখোয় অসি অয়াম্বনা ট্রিটমেন্ট মথৌ তাদে। অদুমওইনমক করিগুম্বা মতমদদি মসিনা মরম ওইরগা মীৎকী উবা ঙম্বগী মতিক-ময়াইদা অকায়বা পীরকপা য়াওই, অসিগুম্বা ফিভম অসিদদি মখোয় অসি লৌথোকপা মথৌ তাই।

আই ফ্লোটরশিং অসি মীৎকী অতোপ্পা অনাবা অমগী আর্লি সাইন ওইবসু য়াই, খুদম ওইনা রেটিনাদা দেমেজ তৌবা।

**সিম্পটোমশিং:**

আই ফ্লোটরগী মরুওইবা সিম্পটোমশিংদি মীওই অমগী ভিজুএল ফিল্ডদা মফম চাদবা অপীকপা এরিয়াশিং লৈবনি।

ফ্লোটরশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা ওইবা য়াই, মখোয়শিং অদুদি- মমি য়াওবা দোটশিং নৎত্রগা দাগফমগুম্বা, লাইন মচা-মচা, রিং, মিরাং (অমোৎপা নৎত্রগা অমনবা), অমদি অতৈ মওং মরিল নাইদবা কয়াসু য়াওই।

মখোয় অসি ঐখোয়গী ভিজনগী খরা হেন্না ঙানবা নৎত্রগা খজিক্তং মমশিনবা এরিয়া ওইনা উবসু য়াই। করিগুম্বা মতমদনা ফ্লোটর লৈবা মফম অসি ভিজনগী অতৈ মফমগা য়েংনবদা খজিক্তং ব্লর চৎপা ওইনা উবসু য়াওই। ফ্লোটরশিং অসি য়াম্না কূপ্পী অদুমকপু মীৎকী ইনপূটকা য়াম্না নক্লনা লৈবা মরম্না ঐখোয়গী ভিজনদা ময়েক শেংনা এফেক্ট তৌবা ঙম্মী।

আই ফ্লোটরশিংগী কেরেক্টরিষ্টিক অমা হায়রগদি মখোয় অসি মীৎকী ভিজনগী মফমশিংদা কোয়পাই পাইদুনা লৈগনি। থাঙ্গৈ শেংনা য়েংগে হায়না মীৎনা তান্নরুরগসু য়েংলিবা মীৎয়েংদুগী মাঙ থানা চেনখিদুনা য়েংবা ফংদে।

**আই ফ্লোটর ওইহল্লকপা মরমশিং:**

আই ফ্লোটরশিং অসি মীৎকী ভিট্রিয়স বেদীনা মরম ওইরগা মশা মথন্তা ওইজরকপা নেচরেল ফেনোমিনন অমনি। মীৎনা কোইরোক কোয়রিবা অসি ভিট্রিয়স অসিননি।

ভিট্রিয়সকী শরুক অসি কংশিল্লক্তুনা পীকশিল্লকপা মতমদা ফ্লোটরশিং লৈহল্লকই। মসিনা পীকশিল্লকপগা লোয়নননা অপীকপা ফাইবরশিং কায়থরক্তুনা ষ্ট্রিং মওং ওইরকই। মসিবু দোক্তরশিংনা ভিট্রিয়স দিটেচমেন্ট হায়না কৌই। দিটেচমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা রেটিনা তম্না লাকপা মঙালশিংদা অপনবা পী। অসুম্না চঙলক্লিবা মঙালশিং অদু অপীকপা ষ্ট্রিংশিং অদুনা অপনবা পীবা অদুনা মীৎতা মমি মচ-মচা তাহল্লি, অসুম তৌবা অসিনা মীৎতা ফ্লোটরশিং উহল্লি।

আই ফ্লোটর হায়বসি অহল ওইশিল্লকপগী নোর্মেল পার্ট অমনি। অমেরিকান সোসাইটি ওফ রেটিনা স্পিসলিষ্টনা থৌওং অসি ভিট্রিয়স দিটেচমেন্ট হায়না খঙনৈ, মসি চহী ৬০ হেল্লবা মীওইশিংদনা হেন্না থেংনগল্লি।

মীপুম খুদিংমক মতম অমদা হেক্তা আই ফ্লোটর অসি থেংনবা য়াই। মীওই কয়াদদি অহাঙবা, অঙানবা সর্ফেস নৎত্রগা অতিয়াগুম্বা মফমদা য়েংবা মতমদা উবা ফংই। মখোয় অসি অহানবা হেক উবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ওইরগসু, অয়াম্বনদি মীৎকী মখা থংবা শরুক, ভিজনগী ফিল্ডগী মনুং চন্দবা মফমদা লৈগল্লি।

অদুমওইনমক, অমেরিকান সোসাইটি ওফ রেটিনা স্পিসলিষ্টনদি কনাগুম্বা মীওই অমনা ফ্লোটরগুম্বা খঙহৌদনা উরকপা সিম্পটোমশিং অসি থেংনরগদি কুইথদ্রিঙৈদা ওফথালমোলোজিষ্ট অমদা মীৎ য়েংথোকহৌনবা রেকম্মেন্দ তৌই।

**রেটিনেল দিটেচমেন্ট :**

ফ্লোটর খরদি অহল ওইশিল্লকপগী শরুক অমা ওইরগসু, খঙহৌদনা ফ্লোটরশিং উবগী চাং হেনগৎলক্লগদি রেটিনেল দিটেচমেন্টকুম্বা অতোপ্পা মরমশিংগী খুদম অমা ওইরম্বসু য়াই। রেটিনেল দিটেচমেন্ট ওইরগদি আই ফ্লোটরশিংগা লোয়ননা অতোপ্পা সিম্পটোমশিংসু থেংনগল্লি। মখোয়গী মীৎতা মঙালগী ফ্লাসশিং মীৎকী ভিজনগী মতাইরোম থংবদা উবা য়াই। অমদি মতাই থংবা ভিজনগী শরুক অসিদা উবা ঙম্বগী পাঙ্গল মাঙবসু য়াই। মসিদি য়াম্না সেরিয়স ওই অমদি লায়েংহৌদ্রগদি মীৎ তাঙহন্নবগী মরম ওইবসু য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা নুংঙাইতবা অসি লৈরগদি য়াম্না থুনা দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি।

**অতোপ্পা মরমশিং :**

আই ফ্লোটর থোকহনবগী অতোপ্পা মরম কয়াসু লৈ, মখোয়শিং অদুদি- মীৎতা ইনফ্লেমেসন তৌবা, ইনফেক্সন, রেটিনা তৎপা নৎত্রগা অশোক অপন য়াওবা, মীৎতা অশোক অপন য়াওবা, দাইএবেটিক রেটিনোপেথি, হেমোরেজিং, আই ট্যুমর অসিনচিংবশিং য়াওরি।

আই ফ্লোটর প্রিভেন্সন তৌবা ঙম্লোইদবা অমা ওইরগসু মীৎ ফনা থম্নবা ইশানা চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎলগদি কান্নবা খরা ফংই। মখোয়শিং অদুদি- হকচাংগী অরূম্বা চাং চানা থম্বা, তোঙান তোঙানবা মচি ওইবা দাইটশিং চাবা, মৈখু শীজিন্নবা তোকপা, মপান্দা লৈবা মতমদা সনগ্লাস শীজিন্নবা, মথৌ তাবা মতমদা প্রোটেক্টিব আইৱিয়র শীজিন্নবা, মীৎপু তোয়না পোত্থাহনবা অসিনচিংবশিংনি।

আই ফ্লোটর অসি অয়াম্বনা লায়েংবা মথৌ তাদ্রবসু করিগুম্বা মতমদদি লায়েংবা মথৌ তাবসু য়াওই। য়াম্না তাঙনা থোকপা ফিভমদা সর্জরি তৌবা মথৌ তাবসু য়াওই। মরম অদুনা আই ফ্লোটর হেক উবগা দোক্তরদা য়েংথোকপনা খ্বাইদগী ফৈ।

# স্পেসল কোর্ট পোক্সোদা চার্জশীট থাগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): রিমস হোস্পিটালগী ঈ সী জি রুমদা চহী নৌরিবা নুপীমচা অমদা সেক্সুএল এসোল্ট চৎখিবা ঈ সী জি টেক্নিসিয়ন থোকচোম সুরজ (৩৬) অপোকপা কুল্ল কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তা লৈবগী মথক্তা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা প্রোসীদিং চত্থনবগীদমক্তা কেস অসিগী আই ও ইনভেষ্টিগেসন য়ুনিট ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী এদিসনেল এস পি রত্না ঙাসেপমনা থৌদোক অদুগী মতুং থা মরি ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা স্পেসল কোর্ট পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট পীখৎখ্রে।

কেস অসিগী আই ওনা কোর্টতা পীখৎলকখিবা চার্জশীট অদু কেস অদুগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা থোকচোম সুরজ কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা কোর্টকী প্রোসিদিংশিং লৌখৎপা য়ানবা চার্জশীট পীখৎলকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুম্জা ২০১৯গী ওক্টোবর ২ অমসুং ৩গী লোন্নবা অহিংদা ভিক্টিম ওইরিবা নুপীমচা অদু অরুম লাইহৌ অমদি দাইসেন্ত্রিনচিংবগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। লোয়ননা অনাবা অদু ঈ সী জি লৌননবা লেবোরেটরিদা পুশিনবদা ঈ সী জি টেক্নিসিয়ন থোকচোম সুরজনা সেক্সুএল এসোল্ট চৎখ্রে হায়বগী কমপ্লেন্ট অমা ভিক্টিমগী অপোকপীনা লম্ফেল পুলিসতা থারকখিবনি। লোয়ননা পুলিসনা থোকচোম সুরজ ফাখিবনি। কেস অদুগী আই ওনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা থোকচোম সুরজ থৌদোক থোকপা নুমিৎ অদু লুহোংবা অমা য়াওরুবনি অমদি ভিক্টিম অদুবু ঈ সী জি লৌনবা লাকপদা মহাক্কী অপোকপী লেবোরেটরিদা চঙহনখিদে। লোয়ননা মী লৈতবগী অচেংবা তাঞ্জা লৌদুনা মহাক্না চহী নৌরিবা অঙাং অদুদা সেক্সুএল এসোল্ট চৎখিবনি। মহাক্না এসোল্ট অদু চৎথবা মতমদা ভিক্টিম অদুগী মমিৎ মহাক্না টাৱেল অমনা খুমজিন্দুনা চৎখিবনি। লোয়ননা ৱাহং পাউহং চৎথবদা মশামক্না মঙোন্দা শিরিবা মরাল অদু য়াজখিবনি হায়বা ৱাফম কোর্টতা থল্লকখি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিকমক কেস অদুগা মরী লৈননা থোকচোম সুরজ মণিপুর সেন্ত্রেল জেল শজিৱাদা লৈরিবনি।

# সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ননা শীন্দুনা য়াইরিপোক কম্পেনি ওপরেটিং বেজতা ঙসি সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন মীট অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন মীট অদুদা ভিলেজ হেদমেন, মেম্বরশিং, য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরিশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি লোকলশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা য়াইরিপোক কম্পেনি ওপরেটিং বেজগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংগী ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম কূপ্না খন্নখি। লোয়ননা মফম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক অসাম রাইফলসকা লোয়ননা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎসিগে হায়বসিগী মতাংদসু ইন্টরেক্সন তৌখি হায়রি।

# থাঙ্গা ভিলেজ, করাং আইলেন্দদা এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর কেম্পেয়ন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): ভারত বিকাশ পরিষদ মণিপুরনা ভারত বিকাশ পরিষদ থাঙ্গা ব্রাঞ্চ, ইষ্টর্ন মোটোর চিংমৈরোং অমদি গুদ কর্ম্ম ফাউন্দেসন থাঙ্গাগা খুৎশম্নদুনা থাঙ্গা ভিলেজ অমদি করাং আইলেন্দদা ঙসি অহানবা ফেজগী এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর কেম্পেয়ন হৌদোকখ্রে।

ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন দিরেক্টোরেটকী দিরেক্টর হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অসি লোঞ্চ তৌখি। চিলদ্রেন মোদেল একাদেমী থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকায়দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর কেম্পেয়ন অদু লোঞ্চ তৌখিবনি। স্কুল অদুগী মহৈরোয় অমদি ওজা কয়াসু শরুক য়াখি। ডা. টি ঐচ প্রিশিলানা এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অদুদা ৱা ঙাংখি। এনেমিয়াদগী ঙাকথোক্লবা অমদি লায়না অসিগী লায়ওং কয়াগী মতাংদসু মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি।

থাঙ্গা খোইরোম লৈকায়, আইদিএল ইংলিস স্কুল, অগাপে জুনিয়র হায় স্কুল, থাঙ্গা ইথিং লৈকায় অমদি করাং আইলেন্দ কম্ম্যুনিটি হোলদসু কেম্পেয়ন অসি চত্থখি। মফমশিং অদুদা স্কুলশিংগী মহৈরোয়, ওজাশিং অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। ভারত বিকাশ পরিষদ মণিপুরনা এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অসি থাঙ্গা ভিলেজ অমদি করাং আইলেন্দদা হৌদোকখিবনি। এনেমিয়া মুক্ত ভারত হায়বা পান্দমগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা কেম্পেয়ন অসি পাঙথোকপনি। অঙাংশিংদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা করি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়াম্না কূপ্না পাউদমখি। রিমসকী ঈ এন টি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ডা. হেমাম প্রিয়োশখি, বি ভি পি, থাঙ্গা ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ও মাইপাকচাও, ইষ্টর্ন মোটোরগী সী ঈ ও সিনাম প্রিতম, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ওর্থোপেদিককী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর কেম্পেয়নগী অনীশুবা ফেজ থা অসিগী ১৩দা চাইরেনলাকপা কম্ম্যুনিটি হোল থাঙ্গা চীংখাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা এনেমিয়া দিটেক্সন অমদি স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম চত্থগনি। এনেমিয়া হায়রিবা লায়ওং মখল অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মসিদগী ঙাকথোক্লবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়াম্না কূপ্না খন্ন-নৈনগনি। ডোক্তর অমদি অখঙ-অহৈ কয়ানা এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অসিদা শরুক য়াদুনা অঙাংশিংদা এৱেয়র্নেস পীগনি। থাঙ্গা অমদি করাংগী মফম কয়াদা ঙসি চত্থখিবা এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর কেম্পেয়নদসু মহৈরোয়শিং অমদি ওজা কয়া শরুক য়াখি। কেম্পেয়ন অসি ভারত বিকাশ পরিষদ মণিপুরনা ভারত বিকাশ পরিষদ থাঙ্গা ব্রাঞ্চ, ইষ্টর্ন মোটোর চিংমৈরোং অমদি গুদ কর্ম্ম ফাউন্দেসন থাঙ্গাগা খুৎশম্নদুনা চত্থবনি। কেম্পেয়ন অসিনা মণিপুরদা এনেমিয়া হায়রিবা লায়ওং মখল অসি ফ্রী ওইহন্নবা মীৎয়েং থল্লি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ফেগোক্তাগী দিমান্দ পীনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে, খোঙজং হন্দোক্লে : সোমেন্দ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): ফেগোক্তানা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং কেবিনেটনা পীনবা লেপ্প খিবনা কোলেজগী ওজাশিং হান্নগুম ক্লাস তৌরগনি। খোঙজং সস্পেন্দ তৌরে হায়না ফেগোক্তাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন সোমেন্দ্রোনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

দি এম কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা ফেগোক্তাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন সোমেন্দ্রোনা হায়খি, কোলেজ ওজাশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি তাঙ্কক অহুমশুবনি। ৱাকৎ মীফম, রেল্লি অমদি হঙ্গর ষ্ট্রাইকনচিংবা য়াওরি। ফেব্রুৱারী ১৪দগী পি জি এগজাম ফাওবা বোয়কোট তৌবগী ৱারেপ লৌবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ফেগোক্তাগী দিমান্দশিং অয়াবা পীনবা ৱারেপ লৌখিবনা খোঙজং হন্দোক্লে। এদ্যুকেসন কম্মিস্নারগা উনদুনা কেবিনেট দিসিজনগী অয়াবা পীরবনিনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং সস্পেন্দ তৌরে। নেসনল পোলিসী ওফ তরেৎশুবা পে অমসুং রেগুলেসন ২০১৮ অয়াবা পীরে। অদুনা খোঙজং সস্পেন্দ তৌবনি। মহৈরোয়শিংদা নুংঙাইতবা পীবসি ঐখোয়সু নুংঙাইতে। মহৈরোয়শিংনসু কোলেজ কারক্তুনা মপুং ফানা ক্লাস য়াওবীয়ু। মহৈরোয়শিংগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। মহৈরোয়শিংদা লৈরম্বা টেন্সনশিং লৈবীরগনু। এদ্যুকেসন কম্মিস্নারনা থাজবা থম্লকখিবসি তরেৎশুবা য়ু জি সী পে চহীসিগী এপ্রিল ১ দগী পীরগনি হায়বনি। য়ু জি সী রেগুলেসন অসি এপ্রুভ তৌরে। তোলোপকী কম্পোনেন্ট য়াওনা এস এ টি এপ্রুভ তৌরে। মরম অসিনা খোঙজংশিং সস্পেন্দ তৌবনি। থেংলবসু থেংনা দিমান্দশিং পীবীবা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

তরেৎশুবা য়ু জি সী পে অসি কুমজা ২০১৬গী জন্যুৱারী ১ অমসুং এল্লাওৱেন্সনা কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১ দগী পীবগা লোয়ননা জি পি এফতা হাপচিল্লগনি। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা পীরিবা তরেৎশুবা পে এপ্রিল ১ দগী পীরগনি হায়বসিদা য়ানবনি। ফেগোক্তানা তান্দুনা লাকপা খূদিংমক মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না এপ্রুভ তৌবীরে। চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, হান্নগী কম্মিস্নার ওইরম্বা হরেকৃষ্ণ অমসুং হৌজিক্কী কম্মিস্নারবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হান্না লৈরম্বা কোলেজগী এটমোস্ফিয়রদা হঞ্জিন্দুনা ওজাশিংগী এক্টিভিটিশিং পাঙথোক্লগনি। ফেগোক্তানা চঙশিল্লম্বা খোঙজং কয়া সস্পেন্দ তৌরে। ওজাশিংনা মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং অসি থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্না পীরকপা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। ফেগোক্তানা ৱাকৎ মীফম, রেল্লি অমদি হঙ্গর ষ্ট্রাইকনচিংবা কয়া চত্থখিবনি। কোলেজগী ওজাশিংনা পুন্দুনা খোঙজংশিং চত্থদুনা লাকপনি। তরেৎশুবা য়ু জি সী পেগী রেগুলেসনশিং চৎনবীয়ু হায়বা ৱাকৎ লৈঙাক্লা তাবীদুনা কেবিনেট মীফমদা ৱারেপ লৌরকপা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তাখি।

ADMISSION OPEN

ꯂꯨꯂꯥꯕꯤ

"LULLABY"

A Child Care Cum Pre-School

Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.

6009103078

HL-P/4570/19-28jan.

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০২।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা ফাইরেলগী ১৯নি পানবা।

**মেষ :** লাই-গুরুনা চানগনি, মীংচৎ ফংগনি, য়েৎলম্বা কোক্কনি অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং পংগনি। কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** মতম মাঙদনবা মরম চানা থৌ পাংউ অমদি মীতোপ্পা নরলদা মীতাই হায়বা কাউগনু। হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগী মতেং পান্নদি লৌবদি য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংনীংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** অনম কনবা অমদি লোয়নবনা মাঙহনবা য়াবা লৈ। নচা ননাইগী লম্দদি পূক্লিং পেন্না নুংঙাইগনি অমদি অনীংবা থবক পাংবদা মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** নীংজবা থুংগনি, ৱাখল খজিক্তং খম্থরগা পাংবা খুদিং লেম্নমক মায় পাক্কনি, কনানসু নমহৎপা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। ঙাঙবা/পোরম য়াৎপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** চরাংনরবা নরল মাঙগনি অমদি অনীংবা খুদিং পাংগনি খনগনু। য়েৎনরম্বা কোক্কনি, থিবা হুম্বগী কান্নবা শোইদনা ফংগনি অমদি লৌশিং য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা কান্নবা য়াম্না ফংবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। থবক্তদি মীগা য়েংথিনবা লৈগনি অমদি লৈঙাক্কী লম্দা নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ-য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নাপলনা মাঙহনবা নুমিৎনি অমদি ফংগদবা লনসু পনগনি। হোয়া ফরবা চাদিং হেনগনি অমদি থবক মাঙগনি। অদুবু ইমুং-মনুংগী ৱা তারবা শোইদনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** শেল ফংগনি, মীংচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎপা হৈগনি, মরুপ-মপাংগী মতেং পংগনি, য়েৎনবা লৈরম্লসু শোইদনা মায় পাক্কনি। অশাওবনদি মাঙহঞ্জে।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** থবক পাংগনি, লাইবক ফগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি শেল-থুম পনলম্বা কোক্কনি। মীৱা লৌবদৈ খৎনবা য়াবদি লৈ, চিন কনগনু, লম চৎপা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** মথা শাবা, ৱাখল থোক্তবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াদবা নুমিৎনি। অদুবু মীয়াম্নদি চাল্লি অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** নুংঙাইবা ফংগনি, থৌনা লৈবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি নক্লবগী মতেং লৌবা য়াগনি। অদুবু হম্থবা লোয়নরবা চোপকনি, লাইবক ফবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** নীংজবা শোইদনা থুংগনি অদুনা অফবা থবক পাংহৌবা ফগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুবু শেল-থুমগী লম্দদি য়েৎনবা কোক্কনি, মরুপ্পা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।